থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ঈনাককখুনবা অশেংবদু কনানো?

ঐদি উপতে ইকোকথক্তা লূহুপ, থম্মি ঐদি থম্মোয়নুংদা/সনা-লুপা মণিননসু লৈতেংদে, তম্ফানসু তথক্তে/অপেনবা কৌই লূহপ্তুগী মমীংদি, উবা ঙমদে কনানা/নিংথৌরেল কনামত্তনসু উপঙমখিদবা লূহুপনি, ঐহাক্তগী ওইবা ...। নীংশিংবীবরা, শৈরেং অসি কনাগীনো? মমীং চৎলবা অইবা অমগীনি। শৈরেং ওইনসু শোন্নদবনি, অইবসিনা হায়রম্বা ৱাহায় ওইনা শোন্নবনি। ঐনা ঈরোন্দা ওন্থোকপদা লোনদুগী ফজবা মাঙখিবনরা ইংলিসকী ৱাহৈদুমক ইরল্লবা - ইরায় লায়না নীংশিংবীরক্লম্বসু য়াই অদোম্না ... মাই ক্রাউন ইজ ইন মাই হার্ত, নোৎ ওন মাই হেদ ... সেক্সপিয়রগী হেনরি সিক্সকীঅহুমশুবা পন দুপকী মমীং চৎলবা দাইলোগ অমনি।

ৱাহৈশিং অসি নীংশিংলুবা, সেক্সপিয়রগী মরমদা ৱারেং অমা ইগে হোৎনরুবগী নত্তে, থিয়েটর/দ্রামাগী পাউদম অমা তমগে হোৎনরুবইসু নত্তে। ৱাখল অমা খল্লুবদা ফৈজিল্লকপা ৱাখলনি। ৱাখলদুদি - নিংথৌ লৈঙাক লোইখ্র 'তুংদা নিংথৌ হায়'দু লৈরিবা? নিংথৌ হায়দু কনানো? ঈনাক খুনবা কদায়নো? সনা-লুপা, লন-থুম, সনজীংগুম পৈ'ঙম্বা; কোনুংগুম্বা য়ুম শাদুনা, চাবা-থকপা ৱাত্তনা, অহাওবতা চাদুনা, ফজবতা শেত্তুনা, জীপ কারদা খোঙনেৎননা হিংলিবা - মহাক্তনা ঈনাক খুনবা কৌবরা? অদুগুম্বা পুন্সিদুতবু নুংঙাইবা পুন্সি কৌবরা? শেল পায়দবা, সনা-লুপা লৈতবা, ফুরা-দলান্দা লৈতবা মীদি ঈনাক খুনবা য়াদবরা? লূহুপ উপ্তুবা কনাগুম্বদি নিংথৌ ওইবা য়াদবরা?

অসিগুম্বা ফৈরেংনবা ৱাখল অমা কদোমদগী পায়রকখিবনো খঙদবা নুংশিৎ অমা হুমজিল্লক্তুনা খল্লকখি। বেঙ্গলোরগী মরূপ অমনা, 'লাক্তবা কুইরে অমুক্তা চৎথোক্লককউ, পৈশা লৈত্রবসু এয়র টিকেৎ থারক্কে' হায়না ফোন তৌরকপদুদা, ঐনা বেঙ্গলোরদা তাবা নৌরিঙৈ, নায়তোম চৎপা ত্রেনগী খোঙচৎ অমদা ভূতান-মচা, খৃষ্টিয়ন লাইনিং শন্দোকপা নুপা অমা থেংনখিবা, মঙোন্দগী লাইরিক অমা ৱায়রগা হাওরা ষ্টেসন ফাওবা পাখিবা লাইরিক্তুগী ৱারোল অমা নীংশিংলকপনি। ময়ুম-মকৈ য়োন্থোকখ্রবা, শিকি অমই মরল লৈত্রবা 'ঈনাক খুনবা' নুপা অমগী ৱারীনি। অমেরিকান নুপী লৌদুনা, অমেরিকাদা লৈরুরবা, দোল্লর মিল্লিয়ন কয়াগী মপু ওইরুরবা, রোলস- রোইসি-মর্সেদিজ-বেনজ কার কয়াগী মপু ওইরম্বা, মথৌ চিল্লবা দোক্তর অমা ওইরম্বা, ময়ুম লমদম কেরালাদা হল্লকপা শংখিদবা নুপা অদু, মাগী অপোকপা - মপাগী ৱাহৈ পরেং অমখক্না, তূল্লম্বা পুন্সিদু মীকপ থোকহনখিবনি হায় ...'মমল য়াল্লবা কার, নুংঙাই য়াইফবা মার্বলনা য়োন্বা য়ুম ময়াম অমা লৈরমগনি ইচাগী, থবক চিনখ্রবা ইচানি ... অদুবু, ইবুংঙো, মপোকসিদা ফংলিবা নঙগী পুন্সি অসিদি অমখক্তনি ... অনী শুররোইদবা নঙগী পুন্সি অদুগীদমক্তিং নহাক্না করি তৌখ্রবগে'...? ফোঙবা ঙমদ্রবা পাউখোং অদু পুরগা ময়ুমদা হল্লকপদদি মহাক্কী মপা লাইরৈবাক্তা চৎখিরম্লে। ইন্দিয়াদা হনসি য়াদ্রবীঅমেরিকান লোয়নবী খায়নথোকখি। মপানা থনম্বা লম অদু য়োন্থোক্লগা চর্চ সর্ভিসতা চঙখি।মহাক্না হায়, 'ইরল ওইনা শিকি অমা লৈত্রসু, নীংলকপা মতমদা অপাম্বা খুদিং ফংলিবা, ঐঙোন্দই হেন্না ঈনাকখুনবা কনানো'...?

মাগী ৱাখল অদুনা লামশিল্লকখিবনি সেক্সপিয়রগী কাউরুবা ৱাহৈশিং। শেল পায়বা, ইরল লৈতবা, সনা লুপা, মনি-মুক্তাদা খোঙনেৎনবা পুন্সি হায়বদুদি মপোকসিদা ইশরুক ওইনা কৈদৌনুংদা ফংলরোই হায়বদু খঙবদুনা ওইবা তাই - 'শেল পায়দনা ঈনাক খুনবা' লৈ মশীং খঙদনা। মশাগী মরলসু নত্তবা, ভারা পীরগা লৈ'গুম্বা লৈঙাক্তা খাজনা থীরগা লৈনবা লম মচেৎ অমগীদমক মপু ওইনবা শেনয়াম পীবই হিদান্নবা অমদি অমগা অমগা য়েংথিনবই কান্নবা করিনো? ফুরিৎখাউ হাঙবা ঈনাকখুনবা কাঙবুগী ৱাকৎনি।

শেল পায়বা, শেল তানবতদা খোয়জঙবা মখোয়দা শেলনা মরোল লোনলি - 'চাও, থকউ, নুংঙাইথোকউ - শিখিদৌবা মীওইপোক্লি, হয়েং য়ৌনা পুন্সিদবা মীওইবনি।' কৈদৌঙৈদা হায়রক্তে ...'ঐগী ইতেঙ লৌরগা লৌশিং থন্না হানজিল্লু, তীক তীক লাউবা হকচাংনা সনা-লুপা-মনিদই মমল লৈবা হেনবনি ... শেলনা লাইরিক লৈর'সু লৌশিংদি লৈবা য়াদবনি'...।

'লায়রবা হায়বসি কনাগুম্বা অমনা, দরকার ওইবা তঙায়ফদবা অদুদগী হেন্না পাম্বা পোক্লিবা অদুনি' হায়নবসু লৈবনি। ৱারী অনীখক নীংশিংলকই। লায়রবা, সূনীংদবা নুপা নোংমা লনলৈমনা লাক্তুনা সনা খাউজাও অমা পীরম্মী - 'সিনা নপুন্সি হৌদোকচরো। হরাওবনা লুতোন সাৎলবা নুপাদুনা চেকশিন্না থমখ্রে খাউজাওদু। নুংতি নুমিৎ খুদিংগী থীদুনা য়েংই হনজিন্না- হুরানবনা হুখ্রবরা? পুন্সিগী অরোইবা নুমিত্তুফাও, মশীং থীবা লেপখিদে। অতোপ্পা ৱারী অমদা, লম্বীগী চাক্লিবা অমই নাক্তা 'লাইবক' কৌবা শকউদবা লাই অদু মমাংমক্তদা লেপ্লরে। সনাগী শেনয়েক থন্না য়াওরবা খাউ অমা পীরদুনা হায়রকই ...'নঙনা দরকার ওইরিমখৈ ৱাৎপা লৈত-পীগনি, অদুবু লৈপাক্তবু তাহল্লবা সনাদু ঊফুল ওনখিনি'...। থম্বাল শাৎপা লাইবক্তু অমুক হন্না লাক্লরোই, তাঞ্জা অসি মাঙহল্লরোই - পিবুক্লুংদা, খনখরে। 'শাংল-পুন্সি খোঙচৎনি ইচা-ইশু ময়ামসিগা, খাউসিনা কৈদৌননি, অতোপ্পা খাউ অমগা পীবীরম্মু ইবুংঙো' - ৱাহৈসিগা লোয়ননা মখোঙ শোক্না খুরুমলে। মখূত্তা পায়বা সনানা থনবা খাউজাওদু খুদক্তা উফুল ওনখরে। লাইবক কৌবা লাই অদু মোমোন্ননা য়েংলম্লগা তপ্না তপ্না মাঙখরে।

'শেলনা কৈদৌঙৈদা মী অমবু নুংঙাইহনবা ঙমদে' হায়না অচৌবা মীশিংনা হায়নরম্বদো, মরম অমা লৈরম'নি। মহাক্লবু ইনাক্তা লৈরবা, কোন্নবা লৈতে হেন্না হেন্না পাম্লকই। খাংপোকশঙদই চেক্কী য়ুম, চেক্কী য়ুমদই মার্বলগী য়ুম ... ঙসি চাম'না কোন্নরম্বা, হয়েং লীশিংনসু কোন্নরোই। শেঙ্গাও থন্না শেল হাপ্পা, উপু চোন্না সনা হাপ্পা ঙম্বদু নত্তে 'ঈনাকখুনবা'। হাপ্লিমখৈ চোন'নাইদবা, লৌথোক্লিমখৈ লোইনাইদবা পূক্লিংগী পুক্কে চোলহনবদুনি 'ঈনাকখুনবা অশেঙবা'। য়াবিনিংদবরা?



লৌশিং পুক্কে

# লাইহৌ হৌবা :

## তোয়না মায়োক্নবা খুদোংচাদবা



হকচাং শাগৎপগী চাংনা মশাগী ওইফম থোকপা চাংদগী হেনগৎলত্তুনা সেলসিয়স ডিগ্রী ৩৭ (ফরেনহিট ডিগ্রী ১০০) লানখ্রবদি লাইহৌ হৌবা হায়না খঙনৈ। মেডিকেলগী লোলদা মসিবু পাইরেক্সিয়া নত্ত্রগনা ফিব্রাইল রেস্পোন্স হায়নসু খঙনৈ। হকচাং শাবা অসুম-অসুম হেনগৎলক্লবদি তাঙ্কক অমা য়ৌরকপা কান্দা নিংথম্বা ফাওরক্কনি অমসুং শাবা হেনগৎলকপা লেপখিগনি।

ঐখোয়গী চাবা-থকপা, হকচাং-শাজেল অমদি তূম্বগী মওং-মতৌনা নোর্মেল বোডি টেম্পরেচর (হকচাংগী অশাবা) খেন্নৈ। বোডি টেম্পরেচর খ্বাইদগী ৱাংবা মতমদি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ নি অমসুং খ্বাইদগী নেম্বা মতম্না অয়ুক্কী পুং ৩ নি।

হকচাং শাবা হেনগৎলত্তুনা লাইহৌ হৌরকপা হায়বসি ইশা ঙাকথোকচনবা য়াওরিবা ইম্যুন সিষ্টেমনা ইনফেক্সন অমা ঙাকথোক্লবা হোৎনরে হায়বগী খুদমনি। তশেংবদি হকচাং শাবা হেনগৎলকপনা ইনফেক্সন মায়োক্নবদা চাউনা মতেং পাংলিবনি। অদুম ওইনমক কা হেন্না শাগৎলক্লবদি খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। অখঙ-অহৈশিংগী মত মতুং ইন্না কা হেন্না হকচাং শাগৎপা নত্ত্রবদি হীদাক-লাংথক খক চারোইদবনি অমসুং শাবা হন্থনবা হোৎনরোইদবনি। অদুম ওইনমক করিগুম্বা কান্দা কা হেন্না হকচাং শাগৎলকপদগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। মতমদুদা হীদাক-লাংথক থাগদবনি। লাইহৌ হন্নবা হীদাকপু এন্টিবাইওটিক হায়না খঙনৈ।

কনাগুম্বা অমা লাইহৌ হৌবা মতমদা উখোরকপা য়াবা লাইওংশিংদি কা হেন্না ঈংবা, হকচাং নিকপা, চানিং-থক্লিংবা ফাওদবা, ডিহাইড্রেসন তৌবা, থৱায় নুংঙাইতবা, হকচাং পূম্ন মক থীন্দোক্তুনা নাবা, ৱাখল লৈতাফম খঙদবা, তুম্নিং-তুম্নিং তৌবা অমসুং হুমাং কাংবা অসিনচিংবনি। অঙাংশিংদদি কা হেন্না হকচাং শাগৎলকপা মতমদা য়াঙ চিংলকপা য়াই। য়াম্না থুনা অতেনবা মতমগী মনুংদা হকচাং শাবা খংহেন হেনগৎলকপদগী য়াঙ চিংলকপনি। অয়াম্বা মতমদা থা ৬ তগীনা চহি ৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা য়াম্না তোয়না থোক্কনবা খুদোংচাদবা অসি নুপীমচাদগী নুপামচাদনা হেল্লি।

য়াঙ চিংবগী মওং অনি লৈ। অমনা মিনিট ৫ দগী ১৫ রোম ফাওবা য়াঙ চিংলম্লগা ফখিবদগী অমুক হন্না হৌরক্তবা অমসুং অতোপ্পা অমনা খোঙ-খুৎ চপ তিংলকপগা লোয়ননা মীৎ মথক-মখা ওল্লকপা অমসুং ৱাখল তাদবনি। করিগুম্বা কান্দা মপান থোকচিনবা, খোঙ হামজিনবা অমসুং ওথোরকপসু য়াই। অনিশুবগী য়াঙ চিংবা মখল অসিদি মতম শাংনা চথবা থেংনগনি অমসুং হঞ্জিন-হঞ্জিন হৌবসু নাইগনি।

য়াঙ চিংবা হায়বসি অয়াম্বা মতমদা মথন্তা ফজখিবা তারবসু করিগুম্বা কান্দা হকচাং শাগৎপগী হীদাক থাবগা লোয়ননা ফি মচেৎ অমা ঈশিং অঙৈবদা লূপ্পগা হকচাংগী শরুক পূম্বা তকথোক-নান্থোকপগী মথৌ তারকপা য়াই। কনাগুম্বা অমা মশা শাগৎতুনা লাইহৌ হৌহল্লকপগী মরু ওইবা মরমশিংগী মনুংদা হকচাংগী মফম অমা নত্ত্রগা অমদা ইনফেক্সন তৌবা, খনাউ নাবা, লোক থুংবা, লাই থোকপা, ন্যুমোনিয়া অমদি টাইফোইদনচিংবা পনবা য়াই।

পীক্লিবা অঙাংশিংগী ওইনদি হকচাং শাগৎপগা লোয়ননা লাইহৌ হৌরকপা মতমদা থেম্বা য়াদবমখৈ কপ্পা, ৱাখল চোইবগী মওং উৎথোরকপা, চৎপা ফাওবা ঙল্লক্তবা, নিংশা শ্বর চনিং তানা হোনবা ঙল্লক্তবা, কা হেন্না কোক চীকপা, ঙকশম মরী ইতিং তিংবা অমদি শারৈ হৌবগী মওং উবা ফংলবদি খুদক্তা লায়েংশঙ নত্ত্রগা ডোক্টর অমগী মনাক্তা পুগদবনি।

ইশা শাগৎপা অমদি লাইহৌ হৌবগী মতাংদা মাঙজৌনননা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংদি য়ারিমখৈ ইনফেক্সন থোকহনবা পোৎশকশিংদগী লাপথোক্না লৈবা হায়বসিনি। ইনফেক্সননা হকচাংগী টেম্পরেচর হেনগৎহন্দুনা লাইহৌ তৌহল্লকপনি। য়াম্না তোয়না খুৎ-শা শেংনা হামদোকপগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ মীৎ, চীন অমদি নাতোন্দা খুৎনা শোক্লোইদবনি।

# অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস) : হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্তর অসাম রাইফলসকী কৈথেলমানবী বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ঙরাং ৱর্ল্ড য়ুথ স্কীলস দেগী থৌরমশিং অন্দ্রো অমসুং কাঞ্চিপুর কম্পেনি ওপরেটিং বেজশিংদা পাঙথোকখ্রে।

নহা ওইরিবা মীওইশিংনা মায় পাকপা অমসুং শেল-থুমগী ওইবা চাউখৎপগী পান্দম থম্বদা মরুওইবা স্কীলশিংনা মতেঙ পাংলিবশিং অদুগী মরমদা খঙহনবগা লোয়ননা মীওই অদুগী মশা মশাদা য়াওজরিবা স্কীল অদু খঙজনবা পাউজেল শন্দোকপগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

থৌরমশিং অদুদা শরুক য়াখিবা নহাশিংদা পি এম রোজগার যোজনা, পি এমগী মুদ্রা লোন যোজনচিংবা তোঙান তোঙানবা স্কীমশিংগী মরমদা শন্দোক্লা তাকখি। লৈঙাক্লা থবক ফঙদ্রিবা নহা ওইরিবা মীওইশিংবু মতেঙ পাংনবা অসিগুম্বা স্কীম কয়া অসিবু পায়খৎলিবা অসিগী মরমদসু শুগায়না খঙহনখি।

অন্দ্রো কম্পেনি ওপরেটিং বেজদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নহা ৩০ রোম্না শরুক য়াখি অমদি পেন্টিং অমসুং স্লোগান রাইটিং কম্পিটিসনসু কাঞ্চিপুর কম্পেনি ওপরেটিং বেজনা শীন্দুনা পাঙথোকখি। মদুদা এস আই স্কুল, ষ্টেন্দর্দ রোবর্থ স্কুল, ইম্ফাল পব্লিক স্কুল, য়ুনিভর্সেল ষ্টুদেন্টস একাদেমী অমসুং টেম্পল ওফ লার্নিং স্কুলদগী লাকপা মহৈরোয় ৫০ রোম্না শরুক য়াখি হায়রি।

অমরোমদা, আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্তর অসাম রাইফলসকী মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা এক্স সর্ভিসমেনশিংগী এদমিনিষ্ট্রেটিব ইস্যুশিং অমদি ৱাকৎশিংগী মরমদা চীংমৈরোং কম্পেনি ওপরেটিং বেজদা থবক্তগী পোথারবা আর্মি অমসুং অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংগা উনদুনা ৱারী শানখ্রে।

থৌরম অদুদা এক্স সর্ভিসমেনশিংগী তোঙান তোঙানবা ৱাকৎ কয়াসু পুখৎলকপগা লোয়ননা খন্ন নৈনখি। থৌরম অদুদা এক্স সর্ভিসমেন ২৪ অমসুং বির নারি নুপী ১০ রোম্না শরুক য়াখি হায়রি।

মরকসিদা, আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ২৬ অসাম রাইফলসকী হেদ ক্বার্টরদা ওল ত্রাইবেল ৱুমেন ওর্গনাইজেসনগা পুন্না শীন্দুনা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সনা শোকহল্লবা নুপীশিংগী এক্সকর্সন টুর অমনা পাঙথোকখ্রে।

নোংমগী ওইবা এক্সকর্সন টুর অদু ঙরাং ২৬ সেক্তর অসাম রাইফলসকী কম্মান্দর ব্রিগেদিয়র এ সী চৌহান্না লমথাখি। নুপী অমসুং অঙাং ৪৮ না শরুক য়াখিবা টুর অদু উখ্রুলগী শিরোই চীং অমসুং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎখি।

এক্সকর্সন টুর অদু দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী চৈথেং ফংলবী পুক্নিং ৱাখল শোন্থরবীশিং অদুবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা খুন্নাই অসিদা মায়োক্নরিবা লৈরিবা চৈথেং অদুদগী থৈদোক্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি।

অমরোমদা, ওল ত্রাইবেলস ওর্গনাইজেসনগী ফঙ্কস্নরিশিংনা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী চৈথেং নংলবীশিং অদুগা ৱারী ৱাতায় শানখি অমদি অসাম রাইফলসকী ২৬ সেক্তরগী কম্মান্দরনা মখোয়বু পুক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা মশানা মশাবু থবক পীজনবগীদমক্তা স্কীল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামশিং পায়খৎলক্লিবা অদুবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

চহী অসিগী মার্চতগী জুন ফাওবা অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা থা অহুমগী ওইবা টেলরিং, স্কীল দিভলপমেন্ট ত্রেনিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। উসা সিৱিং স্কুলগী মীৎয়েং মখাদা ফেমিলি ৱেলফেয়র সেন্তর কয়াসু হাঙদোক্তুনা লাকখি।

মরকসিদা, আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা সজিক বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা পীছ কনভেন্সন অমা থা অসিগী ১৩ দা পাঙথোকখ্রে।

কানা ভেলিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা তোঙান তোঙানবা ঈং-তপ্পগী, চাউখৎপগী অমদি অৱাৎ অপা লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবগী মরমদা খন্ন নৈনখি।

তোঙান তোঙানবা ভিলেজ ২০ দগী লাকপা মীহুৎশিংনা মখোয়না নুমিৎ খুদিংগী থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মরমদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

খন্ন নৈনবা মীফম অদুদা ভিলেজ চর্চশিংগী লুচিংবশিং অমদি খঙ হৈরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। খুন্নাই অসিগী ঈচেলদগী নাথৈদুনা কা হেনবা নীটি থাজদুনা চৎখ্রবা মীওইশিংবু মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লক্নবগী ৱাফমদা খন্ন নৈনখি হায়রি। সজিক বট্টালিয়ন্না শীনখিবা থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা খুলদগী লাকপা মীহুৎ ৪৯ না শরুক য়াখি হায়রি।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ২৮ সেক্তর অসাম রাইফলসকী জৌপী বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ষ্টেট অসিগী মনুং হনজিনবা মফমশিংদা লৈরিবা চীংনুংগী শরুক্তা লৈরিবা মীওইশিংনা হিংননবগীদমক পোপী পাম্বী থারম্বা অদুগী মহুত্তা লেমন গ্রাস পাম্বীশিং থানবা পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা হৌখিবা থা অহুমলোম অসিদা মফম অসিগী মনুং হনজিনবা খুল ১৩ দা লেমন গ্রাস পাম্বীশিং য়েন্থোকখ্রে।

মোলানঘাট, আইবোল জৌপী, হোলেনজাং অমসুং মোম্বীনচিংবা খুল মরিদা লৈরিবা মীওইশিংদা লেমন গ্রাস য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা য়ুনিট অসিগী কম্মান্দেন্ট কর্নেল সচিন জেন এস এমনা শরুক য়াখি। হৌজিক ফাওবদা লেমন গ্রাস পাম্বী লাখ অমরোম য়েন্থোকখ্রে হায়রি। মফম অদুগী মীয়ামগী ৱাখল্লোন অদু অফবা লম্বীদা হোংহন্নবা পান্দমদা অসাম রাইফলসনা খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি হায়রি।

# থাঙ-তাগী ফেষ্টিবেল লোয়শিনখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস) : বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হুয়েল লাল্লোং থাঙ-তা এসোসিএসন নম্বোল ককয়াইনা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী তেঙবাংগা লোয়ননা থা অসিগী ১১ দগী ১৫ ফাওবা চথরকপা থাঙ-তা ফেষ্টিবেল লোয়শিনবগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থাঙ-তা ফেষ্টিবেল লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট থৌনাওজম বসন্তকুমারনা চীফ গেষ্ট, হুয়েন লাঞ্জং থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন য়াইস্কুল চীংঙাখম লৈরক্কী শীন্তাক পুরেল লাইশ্রম লক্সমোন, নিংথৌজম বিরজিৎ প্রধান সঞ্জেনবম পুখ্রম্বম লৌরেম্বম গ্রাম পঞ্চায়ট থিংবাইজম ইবোহলবী শীন্তাক পুরেল লীচৎ ঈনাৎ কনবা লুপকী মহৈশঙ কোংপাল, নিংথৌজম ইবোহল প্রসিদেন্ট মৈতৈ ঈনাৎ শীন্দম অপুনবা হৈঙাং, থিয়াম কোরা প্রসিদেন্ট থাঙ-তা এন্দ কলচরেল এসোসিএসন য়ুম্নাম হুইদ্রোম, মোইরাংথেম অঙম্বা এদভাইজর দেসাম ময়াই লোয়শঙ, নামৈরাকপম জিবন সেক্রেটরি ইষ্টর্ন থাঙ-তা এসোসিএসন তাঙখম, সন্দাম ইবোমচা সেক্রেটরি ওল মণিপুর শরিৎ শরাৎ এসোসিএসন সমুরৌ, খুরাইজম নিলকান্ত এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওল মণিপুর শরিৎ শরাৎ এসোসিএসন য়ুরেম্বম অমদি থোকচোম জয় থাঙ-তাগী ওজা বামোন কম্পুনচিংবনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

নুমিৎ মঙানি চুপ্পা চথখিবা থাঙ-তাগী ফেষ্টিবেল অদুদা তোঙান তোঙানবা থাঙ-তাগী খঙ হৈরবা অমদি লম অসিদা মচিন তুমখৎলক্লিবা আর্টিষ্ট অমদি মহৈরোয় কয়ানা থাঙ-তাগী ফজবা কয়া অদু মীয়ামদা খুদোল তমখি।

ইবুধৌ সোরারেল হরাওবুং তোনা কাংজৈবুং, নম্বোল ককয়াইদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা এসোসিএসন অমসুং ওর্গনাইজেসন ১০ গী থাঙ-তাগী আর্টিষ্ট নুপামচা ৭০ অমসুং নুপীমচা ১৫ রোম্না শরুক য়াখি অমদি থাঙ-তাগী শক্লাইরবা ওজা কয়ানা তাকপী তম্বীখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা থৌনাওজম বসন্তকুমারনা হায়খি, হৌজিক্কী মতমদা থাঙ-তাগী মরুওইবা অমদি নুংদা য়াওরিবা কয়াবু নীংশিংদুনা য়াম্না থকশি খাশি লৈবা অমদি মতিং লৈবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা থাঙ-তাগী মহৈ অসি গভর্নমেন্টকা ঈরোয়ননা চৎমিন্নদুনা হেন্না মপুং ফানা চৎমিন্ননবা হোৎনসি। মহাকসু অঙম্বা মতেং পাঙগে হায়বা ফোঙদোকখি হায়বা ৱারোল বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হুয়েন লাল্লোং থাঙ-তাগী প্রসিদেন্ট টিঐচ শান্তিকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

MATHEMATIC (WIZARD) COMPETITION 2018
Orgd. by: EDUCITY
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI, IMPHAL WEST
Last Date of Form Submission – 16th July, 2018
Subject: Mathematic only (100 marks MCQ)
Submission Fees Rs. 300/-
Timing : 11:00 am to 1:00 pm
Class: I to X (Class Wise)
Prize:
1st Position – Rs. 7000 x 10 + Certificate
2nd Position – Rs. 5000 x 10 + Certificate
3rd Position – Rs. 3000 x 10 + Certificate
4th to 10th Position – Special Package
Date of Examination: 22nd July, 2018 (Sunday)
* Special Prizes
1. Best Student will be announced as "Mathematical Wizard of the Year" (which secured 100 or 99 marks) with a prize of Rs. 3000 and Mementos
2. Best School to the School of the Best Students (Rs. 3000/- + Mementos)
Please Contact: 9612194580 / 8794386523
* Forms are available at all the leading book stores and schools of Manipur.
HL-P/3371/21/6-20/7

INTRODUCTORY OFFER
50% OFF REGISTRATION FEE*
FACILITIES
GYM AEROBICS ZUMBA SAUNA COFFEE LOCKER ROOM CARDIO YOGA SPA DIETICIAN NUTRITIONIST PHYSIO
PREMIUM FITNESS CENTRE IN MANIPUR
PALACE COMPOUND GATE, IMPHAL
+91-7085085068
*T&C APPLY
HL-B/4707/14&15